## ইম্ফাল মোরে লম্বী বন্দ তৌগদৌরি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হৈককপোকপিদা লৈবা মিসন ব্লাইন্দ স্কুলবু ফুল ফ্লেজেদ স্কুল ওইহনগনি হায়না এদুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেননা থাজবা পীখিবা অমদি ২০১৩গী ওক্টোবর ৪ দা চিফ মিনিষ্টরনসু হায়রিবা স্কুল অসি ফুল ফ্লেজেদ ওইহনগনি হায়না ৱাশকখিবা অদু ঙসি ফাওবদি সরকারগী মায়কৈদগী পোজিটিভ ওইবা রেস্পোন্স অমত্তা ফংবা লৈত্রি।

ওল ট্রাইবেলস ব্লাইন্দ স্কুলগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর সরকারনা মখা তাবা থবক লৌখৎলক্তবা তারবদি এসোসিয়েসন্না মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ১০২ গী ইম্ফাল মোরে লম্বীদা এপ্রিল ১৪ দগী হৌনা মতম কক্তবা বন্দ তৌরগনি।

## কঞ্জুমরস ক্লবনা অৱাবা ফোংখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* কঞ্জুমরস ক্লব মণিপুরগী ফাউন্দর মেম্বর উরিপোক গোপালজি লৈরক্তা লৈবা লোংজম শ্যাম অঙোম্মা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ইংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক তাইবং পানবা মপুদা থৌনিজখি।

ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি এন পুর্নচন্দ্র মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কঞ্জুমরস ক্লব মণিপুরবু মপুং ফানা শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা কঞ্জুমরস এক্টিভিষ্ট অমনা খংহৌদনা লৈখিদবসি ক্লব খক্কী নত্তনা কঞ্জুমরশিংগী চাউনা মাঙজবনি। মহাক্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবসিদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহোবা অমদি লৈহৌরগনি হায়রি।

## তম্বা অমদি পরিক্ষা থাবা য়ারগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* খৈরাগরদা লৈবা ইন্দিরা কলা সঙ্গিট বিশ্বাবিদ্যালয়না ললিট কলা সঙ্গম ইম্ফালবু এফিলিয়েট তৌবদা অয়াবা পীরকপগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিপ্লোমা কোর্স তম্বা অমদি প্রথমাদগী হৌনা পোষ্ট গ্রেজুয়েট ফাওবগী পরিক্ষা থাবা য়ারগনি হায়রি। ললিট কলা সঙ্গম ম্যুজিক ইন্সটিট্যুট ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল এম চেরিষ্ট সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ইন্সটিট্যুট অসিদা ভোকেল, বাঁসুরি, গীতা, ভাইওলিন, তবলা অমদি লাইট ম্যুজিক ভোকেলগী সবজেক্টশিং হাংলগনি। মিং চন্নিংবশিংনা ফোর্ম অমদি অকুপ্পা মরোল ইন্সটিট্যুট অসিগী ওফিস্তগী খংলবা য়াগনি হায়রি।

## আইনগী কাখল

সনালৈবাক পাবিরিবশিংদা আইনগী লৌশিং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা চেফোঙ অসিদা "আইনগী কাখল" কৌবা কলম অমা হাংদোকচরে। কলম অসিদা সনালৈবাক পাবিরিবশিংনা হংবিরকপা আইনগা মরী লৈনবা ৱাহং পুন্নমক্কী পাউখুম এদভোকেট লৈশাংথেম ওকেন্দ্রোনা পীরগা নোংমাইজিং খুদিংগী ফোংদোকচগনি।

সনালৈবাক পাবীরিবশিংনা আইনগা মরী লৈনবা হিরম খুদিংমক্কী ৱাহং সনালৈবাক ওফিস্তা থাবীরক্লবা নৎত্রগা এদভোকেটকী ই মেল loken69@rediffmail.com দা থাবিরক্লবা নীংশিংজরি।

*এডিটর, সনালৈবাক*

## খংহঞ্জবা

সনালৈবাক চেফোঙগা মরী লৈননা ৱাকৎ নৎত্রগা ফোংদোক্লিংবা ৱাফম পুন্নমক নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবদা টেলিফোন নম্বর ৮১১৯৯১৯৫০১ দা খংহনবিরকপা য়াগনি। অইবা ওইনা পীনিংবা লৈরবসু হায়রিবা মতম অসিদা সনালৈবাক্কী ওফিস্তা পীশিনবিবা য়াগনি।

*মেনেজর, সনালৈবাক*

## মিজোরামগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎনবা রতন টাটা ট্রষ্টকা এম ও য়ু সহি তৌনখ্রে

*ন্যুমাইজ ন্যুজ নেটৱার্ক*

*আইজোল, এপ্রিল ৭ঃ* সার রতন টাটা ট্রষ্টকী মখাদা মিজোরামদা তোঙান তোঙানবা লমদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎনবগীদমক মিজোরাম সরকার অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইনিসিয়েটিভ দিভলপমেন্ট এজেন্সি (নাইদা)গা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা ঙসি সহি তৌনখ্রে।

ঙসি চিফ মিনিষ্টর কনফরেন্স রুমদা পাংথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা চিফ মিনিষ্টর লালথন হাওলাগী লিচিং মখাদা এম ও য়ু অদু মিজোরাম সরকারগী মায়কৈদগী চিফ সেক্রেটরি ললমন সোমা অমসুং সার রতন টাটা ট্রষ্টকী মায়কৈদগী সেক্রেটরি অমসুং চিফ একাউন্টেন্ট বুর্জিষ্ট এস তরাপোরেভলানা সহি তৌখি।

এম ও য়ু অদু মিজোরাম সরকারগী মায়কৈদগী এন এল য়ু পি ইমপ্লিমেন্টিং বোর্দকী খুখাংদা থবক ওইনা পাংথোক্লবা হোৎনগনি অমসুং হৌদোকপা ওইনা রতন টাটা ট্রষ্টনা চহি ৫ গীদমক লুপা ক্রোর ১৮.৮ পুথোক্কনি। শেনফম অসিনা ষ্টেট অসিগী ইমুং লিশিং ১৭ তা কান্নবা পীগনি। পুন্না পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা লাইরবশিংগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহনবা, ওক লোইবশিংনা মশা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনবা, হেন্না শেন্দোং লৈগদবা মওংদা হোর্টিকলচর আউটপুট হেনগৎহনবা, মপুং ওইনা কেল্লো লৈকোল শেমগৎপা অমসুং উহৈশিং অফবা মওংদা য়োক্তুনা থম্বা, শা–ষণ লোইবা, লৌমীশিংগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহনবা, তরু–তনান্না থম্বা, এদুকেসন অমসুং হেল্‌ঠ অমদি অঙাংশিংদা বেলেন্স দাইদ পীবনচিংবা য়াওরি।

মীজোরাম সরকারগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টর লালথন হাওলানা হায়, প্রোজেক্ট অসিনা ভারত সরকার অমসুং মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং মিৎয়েং চিংশিনবা ঙমগনি। এন এল য়ু পি মায় পাক্লবগীদমক মিজোরাম সরকারনা য়ু এন এজেন্সি ৪ গা পুন্না থবক তৌমিন্নরি হায়রদুনা টাটা ট্রষ্ট ফন্দনা পুন্না পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা থবকশিং অসি মায় পাক্লবসু হোৎনগনি। এম ও য়ু সহি তৌনবগী থৌরম অদুদা য়াওখিবা এন আই বিগী ভাইস চিয়ারমেন পি এল থাঙানা রতন টাটা ট্রষ্ট অমসুং মিজোরাম সরকারগা য়ানখিবা অদুগী মতাংদা অমদি প্রোজেক্ট অসিগী এক্সন প্লানগী মতাংদা কুপ্না খংহনখি। অদুগা রতন টাটা ট্রষ্টকী চিফ একাউন্টেন্ট বুর্জিস এস তরাপোরেভলানসু ট্রষ্ট অসিগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিং মমুৎ তানা খংহনখি। রতন টাটা ট্রষ্টকী মখাদা নোর্থ ইষ্ট ইনিসিয়েটিভ সেল অসি ২০০৮ দা লিংখিবনি। অদুগা ২০০৯ দা নোর্থ ইষ্ট ইনিসিয়েটিভ দিভলপমেন্ট এজেন্সি হায়না রেজিষ্টার তৌখিবনি। এজেন্সি অসিনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৩ হায়বদি অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দগী মীয়ামগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা হেন্না মিৎয়েং চঙই। তুংদা রতন টাটা ট্রষ্টকী টিম্না থুমপুইদা লৈবা মুলকো মিল্ক প্রোসেসিং প্লান্টতা চত্তুনা য়েংশিনখি হায়রি।

## কে এ ৱাই ওনা অৱাবা ফোংখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কুম্বিদা লৈবা কুম্বি অদরস য়ুঠ ওর্গনাইজেসন (কে এ ৱাই ও)গী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম ইবোতোম্বী সিংহনা হন্দক খংহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে।

কে এ ৱাই ওগী শঙলেন্দা ৱাহেংবম থম্বৌ মৈতৈনা ময়ায় ফমদুনা পাংথোকখিবা অৱাবা ফোংবগী মীফম্না লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনিজখি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি হায়না জেনরেল সেক্রেটরি দব্লিউ ইবোয়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

## স্পোর্টস মিট য়ৈথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লাক্লিবা তাং ৯ দগী হৌগনি তৌরম্বা অহানবা প্রাইভেট স্কুলস স্পোর্টস মিট ২০১৪ নোংচিংগী ফিভম্না মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রে। এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এল জোয় সিংহনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা মেম্বর স্কুলশিংনা স্পোর্টস মিট য়ৈথোকপা অসিগীদমক ৱারৌবিদনবা হায়রি লোয়ননা অথুবা মতমদা মতম লেপ্লগা লাউথোক্কনিসু ফোংদোরক্লি।

## 'হুইস্কি বট্টল অমা'

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* ইন্সটিট্যুসন ফোর ট্রেদিস্নেল আর্টস এন্দ কলচর খুরাই সাজোর লৈকায়গী নৌনা পুথোকপা 'হুইস্কি বট্টল অমা' হায়না মিংথোনবা প্লে হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা খুরাই লম্লোং কৈথেলদা লৈবা সঙ্গিট কালা সঙ্গমগী ওদিটোরিয়মদা উৎলগনি।

থৌরম অদুদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী খুরাইলাকপা য়ুম্নাম গৌরমনি, মণিপুর সরকারগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি ডাইরেক্টর ওইরম্বা চান্দম বঙ্কিম অমসুং ইন্সটিট্যুসন অসিগী প্রসিদেন্ট লাইরিকয়েংবম বিহারি সিংহনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, ইকায় খুম্নবা মীথুং অমসুং থৌরম মপু ওইগনি হায়রি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমম্বা ইথৎকা চপ মান্নরে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* অসামগী সিলচরদগী ইম্ফাল ফাওবা ৪০০ কে ভিগী ট্রান্সমিসন লাইন তিংদুনা ইম্ফালদা মৈ ফংলে হায়না চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা ফোংদোকখিবা অমদি মীয়াম্না থেংনরিবা মৈগী অৱাবদি কোক্লগনি হায়না নুংঙাইবা পোক্লিঙৈ চৈরক্তা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা শিংখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুরেম্বমদগী চুরাচান্দপুর তান্না পুবা ট্রান্সমিসন টৱার তেকখিবা অমদি য়ুরেম্বমদগী য়াইঙংপোকপি তান্না তিংবা ট্রান্সমিসন লাইনসু য়াদবনা মরম ওইদুনা ১৩২/৩৩ কে ভি সব ষ্টেসন ককচিংদা মৈ ফংদবনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অয়াম্বা মফম অমম্বা ইথৎকা চপ মান্নরে।

থৌবালদগী ফংবা পাউ অসিনা হায়, মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদকী মায়কৈদগী নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোক্তুনা তেকখ্রবা ট্রান্সমিসন টৱার অনি শেমজিনবদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৭ নিদগী ১০ নি ফাওবা চংবা য়াই হায়খিবা অদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা মৈ ফংবগী খুদোংচাবা অসি হন্দক্কী চয়োল অসি ফাওবদি ফংলরোই। অদুমকপু ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচনবা কোংবদা লৈবা সব ষ্টেসনদগী থৌবালদা মৈ পীরম্বা লাইন অথুবা মতমদা শেমজিল্লবদি মফম খরদি মৈ ফংবা য়াই হায়না থৌবালদা লৈবা কম্পনি অসিগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরকখি।

মমাং চহিদসু য়াইঙংপোকপিদগী ককচিংগী কুরাওপোকপি ফাওবা তিংলিবা ১৩২ কে ভিগী ট্রান্সমিসন টৱার অমা য়াইরিপোক চঙমদবিদা তেকপদগী থৌবাল এরিয়াদা নুমিৎ কয়ানি মৈ ফংখিদবনি। মতম অদুদসু ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা নুমিৎ ২০ নিরোম মৈ মুখৎলবসু কঞ্জুমরশিংগী বিলদদি পৈশা মঙা ফাওবা ককপা তৌখিদে। ট্রান্সমিসন টৱার অনি অদু নোংলৈ নুংশিৎনা অমাঙ অতা থোকহনখিবনি হায়রবসু তোঙান তোঙানবা মোবাইল ফোনগী টৱারশিং অসিদি ঙসি ফাওবা নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোক্তুনা তেকপা নৎত্রগা অমাঙ অতা থোকহনবা লৈখিদে। মসিনা তাকপদি পৱার কম্পনিগী থবক্তা চেকশিন্দে হায়বনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা অরৈবা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা তেকখ্রবা টৱারশিং শেমজিনবিয়ু অমদি কঞ্জুমরশিংগী অৱাবা কোকহনবিয়ু হায়বগী অকনবা ৱাফম থম্লক্লি।

## ভি দি এফ পার্সোনেলশিং কিহল্লগা নমদুনা মথৌ তৌহল্লে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না দিমান্দ কয়া তান্দুনা হৌখিবা মার্চ ২০ দগী চথরকখিবা খোঙজং অসিদা পুলিস ওফিসার খরনা ভি দি এফ পার্সোনেলশিংবু কিহন্দুনা নমদুনা মথৌ তৌহল্লে, অসিগুম্বা থৌওং অসি মী অমগী হিংবগী হক নমথবনি লৌই হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি এস রবিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ভি দি এফ পার্সোনেলশিংনা তোঙান তোঙানবা দাবি কয়া তকশিন্দুনা চথরকপা খুৎলাই থাদোকপগী খোঙজং ঙসি নুমিৎ ১৯ শুরে। অদুবু সরকারগী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখলগী রেস্পোন্স অমত্তা ফংদ্রি।

মরক অসিদা পুলিস ওফিসার খরনা কিহন্দুনা ভি দি এফ পার্সোনেলশিংবু দ্যুটিদা থাদোক্লে। মশাগী হক তাঞ্জবদা মণিপুর পুলিসনা খাবৈ–খরা শারিবা অসিদা পেন্দবা ফোংলদুনা শীজিন্নরিবা থবক্তা চান্নবা ওনরেরিয়ম (খুৎশুমন) পীবিয়ু হায়না সরকারদা হায়জবদা কম্মান্দরশিংনা দিবাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নদুনা য়ুনিটি থুগায়নবা শীনবগী মহুত্তা মতেং ওইনা পাংবিয়ু হায়নসু আপিল তৌরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এসোসিয়েসনগী ওইবা ফ্লাইয়িং সক্কাট শেমদুনা দ্যুটি তৌরম্বা পার্সোনেলশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি। ভি দি এফ পার্সোনেলশিংগী অপুনবগী পাঙ্গল থুগায়নবা শীন্দুনা দ্যুটি তৌরম্বা পার্সোনেলশিংগী মথক্তা থোরকপা অফ–ফত্তগী দাইত্ব পুম্নমক মশা মশানা পুগদবনি হায়রদুনা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা তাল্লিবা দাবীশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চথরগনি হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি।


## হাঁচৈনদা/Piles ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক অমসুং হৌরকপদা ঙাইরিবা অমদি কুইনা নারক্লবা নুংশংগী লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা লায়না ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা ঙসি ঙসিমক লাকপিদুনা অদোমগী হকচাংদা লৈরিবা নুংঙাইতবা অদু অথুবা মতমদা লায়েংথোকপিয়ু, অদোমগী খুদোংচাবা থমজরি।

(TIMING- *Morning* :6:00 a.m.-11.00 a.m.)
*Evening : 2:00 p.m. - 5:00 p.m.*

লায়েংজরিবা – ***Naorem Ibomcha Meitei Heingang Awang Leikai, Saya Club, #8729960411, 8014023792***

SL/C/1990/1M



## ওফিস ওইবা য়াবা বিল্ডিং পামজৈ

স্কোয়ার ফিট ১০০০ রোম পাক চাউবা পার্কিংগী খুদোংচাবা লৈবা ওফিস ওইবা য়াবা টিদ্দিম রোডকী এয়ারপোর্ট ফাওবগী মনুংদা লৈবা বিল্ডিং অমা পামজৈ

Contact No. 9435110162
9856082473


## লমদিং হায়স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা স্কুলগী গেট ছো লোনশিনখ্রে

*থৌবাল, এপ্রিল ৭ঃ* থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মোদেল স্কুল অমা ওইরিবা জেদ ই ও জোন থ্রি থৌবালগী মখাদা লৈবা লমদিং হায়স্কুলদা ইন–চার্জ ওইনা হেদ মাষ্টর অমা থাজিল্লকপগী ৱাহৌদা ঙসিসু স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা স্কুলগী গেট ছো লোনশিন্দুনা ওঝাশিং অমত্তা চংহনখিদ্রে।

পাউ অসিনা হায়, মহৈরোয়শিংনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি সরকারনা নৌনা থারক্লিবা হেদ মাষ্টর ইন–চার্জ পামদে। অদুনা মহাক্না চানবা মফম অমদা ট্রান্সফার তৌরগা স্কুল অসিগী ওইবা মতিক চাবা রিগুলর হেদমাষ্টর অমা থারক্ত্রিবা ফাওবা স্কুল থিংবগী খোঙজং অদুমক চত্থখিগনি। লমদিং হায়স্কুলগী রিগুলর হেদ মাষ্টরবু অতোপ্পা স্কুল অমদা ট্রান্সফার তৌখ্রগা ইন–চার্জ ওইনা অনৌবা হেদ মাষ্টর অমা থাজিল্লকপগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিংনা খোঙজং চত্থবা হৌরকখিবনি।

ইন–চার্জ হেদ মাষ্টর ওইনা লমদিং হায়স্কুলদা থারক্লিবা আর্টস গ্রেজুয়েট ওঝা নিংথৌজম নিমাইচান্দ য়ুরেকা হায়স্কুলদা লৈরম্বনি। মহাক্কী মথক্তা মহৈরোয়শিংনা ইরাং হৌরকপদগী মফম অদুদগী লমদিং হায়স্কুলদা ট্রান্সফার তৌরকখিবনি। রিগুলর হেদ মাষ্টর অমা থাংদোকখ্রগা ইন–চার্জ ওইনা আর্টস গ্রেজুয়েট ওঝা অমা থাজিল্লকপগী মায়োক্তা গার্জিয়ান অমদি লমদম অদুগী মীওই কয়া য়াওনা খোঙজং চত্থবা হৌরকখিবনি।

## নুপী ১ য়াওনা ২ ফারে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলস কাঙবুনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌলুপ অনিগী নুপী অমা য়াওনা কাদর ২ ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৪০ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাঙবু অমনা ঙরাং অংথা এরিয়াদা অন্দরগ্রাউন্দগী মীওই খরা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী ঙারিয়ান চীংজিন্দা অচৎ–অওক চেক তৌবদা পি এল এগী কাদরনি হায়বা অয়েকপম বসন্ত মৈতৈ এলাইজ বোয়াই এলাইজ নাওবি (৩১) অপোকপা এ শ্যামকিশ্বর ফারে। মহাক য়াইরিপোক তোপ চীংথাদগীনি। য়াইরিপোক পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

অতোপ্পা অমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা নুপী পুলিসকা লোয়ননা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মহারাবি ময়ায় লৈকায়দা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়ু এন এল এফকী কাদরনি হায়বা ওইনাম ওংবী গিতা (৪৭) মপুরোইবা ও কুমার খুমন মহারাবি ময়ায় লৈকায় ফারে। সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা থিজিনবসু হৌখ্রে হায়রি।

## মমি নুমিৎ থৌরম হয়েং এম এফ দি এস ওদিটোরিয়মদা পাংথোক্লগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* চহি খুদিংগী পাংথোকপগুম হন্দকসু ফিল্ম ফোরম মণিপুর অমদি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা পুন্না শীন্দুনা ৯ শুবা মমি নুমিৎ থৌরম লাক্লিবা তাং ৯ শগোলশেন নুমিৎতা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাংথোক্লগনি।

ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি হামোম সদানন্দনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মমি নুমিৎ থৌরম অসিদা মণিপুরী ফিল্মগী লময়ানবা লাইওইখ্রবশিংগী মফমদা হৈকৎ–লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎকনি লোয়ননা ৬ শুবা বেষ্ট ফিল্ম জর্নেলিষ্ট এৱার্দ অমদি ৩ শুবা নোংইন ম্যুজিক ভিদিও ফেষ্টিভেল ২০১৫ গী খনগৎলবা এৱার্দিশিংদা এৱার্দ খুৎশিন্নগনি। নুমিৎ অসিদা মণিপুরী সিনেমা অমদি ম্যুজিক ভিদিও এলবমগা মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক্না শরুক য়াবিয়ু মণিপুরী সিনেমাবু মীয়ামদা খুদোল তম্বীরম্বা লৈখিদ্রবা লময়ানবশিংবু হৌজিক্কী মমিগী তাইবংদা ঙাওজরিবা খুদিংমক্না মতম চুপ্পদা ইকায় খুম্নবা উৎমিন্নসি অমদি নুমিৎ অসিদা ফিল্মগী শিক্ষা লেপ্তুনা পুন্না থৌদাং য়ামিন্নসি অমসুং লৌমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি।

## নহারোলগী নুমিৎ থৌরমগী মনুংচন্না ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিং পাংথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) য়ুথ ফ্রন্টনা শীন্দুনা চহি খুদিংগী এপ্রিল ৬ তা পাংথোকপা য়ুথ দে (নহারোলগী নুমিৎ) থৌরমগা মরী লৈননা ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদা ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিং পাংথোকখ্রে।

মিটিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুর ঙমখৈগী ৱাথোক অমদি মীতোপ মীয়ানচাশিং চংশিল্লকপনা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা এম পি পিনা লৌরিবা ফিরেপ মীয়ামদা খঙহনখি। পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন ওজিৎ সিংহ অমদি এম অমুতোম্বী সিংহনা ভারত অমসুং মণিপুর সরকারনা ষ্টেট অসিগী ম্যান্মার ঙমখৈদা সম্বল খাবগী ওইরক্লিবা ফিভম নাখৈ শেংনা থম্নবা তকশিনখি।

ষ্টেটকী শাসন তৌরিবা কংগ্রেস সরকার অসি হিরম খুদিংমক্তা শেঙ্গা থুমজানা মাং থাদুনা লৈরে হায়নসু মরাল শীখি। পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস দিল্লিপ, কে কৃষ্ণচন্দ্র সিংহ, ৱাই প্রিয়োকুমার সিংহ ৱার্কিং কম্মিটি মেম্বর সিঐচ জয়কুমার, য়ুথ ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট সোইবম মচং সিংহসু শরুক য়াখি হায়রি।


## AISECT

www.aisect.org

National Centre For Electronics and Information Technology Implemented under the Core Support of Deppt. of Science and Technology (Govt. of India)

**And National Skill Development Corporation (N.S.D.C.)**

**ADMISSION NOTICE**

(Short Term Courses)

| Course | Duration | Eligibility |
|---|---|---|
| Computer Fundamentals | 45 days | 10 or 12 |
| Problem Solving and Programming with C | 3 months | do |
| Programming with C++ | 3 months | do |
| Programming with Java | 3 months | do |
| MS Office | 3 months | do |
| Internet | 2 weeks | do |
| Web Designing | 3 months | do |
| Pc Assembling and troubleshooting | 45 months | do |
| Android programming | 2 months | do |

For Details Contact :
**EMOINU INSTITUTE OF INFORMATION TECHNOLOGY,**
B.T. Road, Imphal, Near Gambhir Shopping

SL/C/15 days


## এন সি টি ই রিগুলেসন ২০১৪ থবক্তা ওন্থোক্লবা য়েংশিনবগী কম্মিটি শেমখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* এদুকেসন মিনিষ্টরনা চিয়ারমেন ওইদুনা মমাং চয়োলদা পাংথোকখিবা ষ্টেট কোওর্দিনেসন মিটিংনা অনৌবা এন সি টি ই রিগুলেসন ২০১৪ মণিপুর থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক রিগুলেসন অসি য়েংশিন্নবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, ষ্টেট অসিগী টিচরস ট্রেনিং ইন্সটিট্যুসন–বি এদ কলেজশিংগী হৌজিক ওইরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কোর্সনচিংবগা মরী লৈননা অনৌবা এন সি দি ই রিগুলেসন ২০১৪ কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা চপ চানা থবক্তা ওন্থোক্লবা অমদি টিচরস এদুকেসনগী ক্বান্টিটি অমসুং ক্বালিটি হেন্না ফগৎহনবগা মরী লৈননা রিকমেন্দেসন তৌগনি। কম্মিটি অসিনা এন সি টি ই রিগুলেসন ২০১৪ কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা রিকমেন্দেসন অদু সরকারদা পীশিনগনি অমসুং একাদেমিক সেসন ২০১৫–১৬ নংনবা সরকারনা লৌখৎপা য়াবা থবক তৌগনি হায়রি। কম্মিটি অসিগী চিয়ারমেন্না য়ুনিভর্সিটি এন্দ হয়ার এদুকেসন ডাইরেক্টোরেটগী ডাইরেক্টরনা অদুগা কো চিয়ারমেন্না এস সি ই আর টি ডাইরেক্টরনা ওইগনি।

মণিপুর সরকারগী জোইন্ট সেক্রেটরি (হয়ার এন্দ টেক্নিকেল এদুকেসন)না কম্মিটি অসিগী মেম্বর সেক্রেটরিনি। অতৈ মেম্বরশিংদি এদুকেসন এস দিপার্টমেন্টকী ডাইরেক্টর, এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী মীহুৎ অমা, দি এম কলেজ ওফ টিচরস এদুকেসনগী প্রিন্সিপাল, আর কে সনাতোম্বী কলেজ ওফ টিচরস এদুকেসন (প্রাইভেট)কী প্রিন্সিপাল অমসুং ডাইরেক্টোরেট ওফ হয়ার এদুকেসনগী ও এস দি – সি সিনি। কম্মিটি অসিগী টার্ম এন্দ রিফরেন্সসু পিখ্রে।

কম্মিটি অসিনা মথৌ তৌরকপদা দরকার লৈরবদি অহেনবা মেম্বর কোওফ তৌবা য়াবগী শক্তিসু পীখ্রে হায়রি।

## ইরমদমসিদা য়েলহৌমীশিংগী মরাইবক হায়বসিদা খন্নগদৌরি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* জিরিবাম সব দিভিজনগী মনুংচনবা জিরিবাম সোরোক অতিংবি কম্যুনিটি হোলদা লাক্লিবা তাং ১২ নোংমাইজিং নুমিত্তা শজিবু খুদোল তম্বা, ঈগী খোঙ্গুল লিবা থৌরম পাংথোকপগা লোয়ননা ইরমদমসিদা য়েলহৌমীশিংগী মরাইবক হায়বা হিরমদা খন্ন–নৈনগদৌরি।

ইরমদম কনবা অপুনবা লুপ (ইকঅল)গী প্রোগ্রাম কনভেনর ৱাহেংবম লুৱাংলৈমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌরম অসি ইকঅলনা জিরিবামগী মীয়ামগা খুৎশম্নরগা পাংথোক্কদবনি। থৌরম অদুদা হিলঘাট জি পিগী প্রধান মোতুম বিনা দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা লমদম অসিগী ইমা লুপ ৬ কী লুচিংবী ৬ না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি। থৌরম অসি য়াওরুনবগীদমক লুৱাংলৈমনা লুচিংবা কাঙবু অমা লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তা জিরিবামগীদমক খোঙশাল্লগনি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

## দেসামগী এন্টি করপসন সেল শেমখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ঃ* দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লায়না অমা ওইরক্লবা শেঙ্গা থুমজা (করপসন)দগী খরমখৈ কনবা ঙম্নবগীদমক এন্টি করপসন সেল অমা শেম্বা হায়না য়ানখ্রে।

দেসামগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা প্রেমচান্দ তোংব্রম্মা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নৌনা শেমখিবা এন্টি করপসন সেল অসিগী চিয়ারমেন ওইনা এক্স প্রসিদেন্ট এল সি সন্তোস অমদি কনভেনর ওইনা হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট এম অঙম্ববু খনখ্রে। সেল অসিনা মরু ওইনা এদুকেসন সেক্টরদা চথরিবা মখল কয়াগী শেঙ্গা থুমজা মীয়ামগা লোয়ননা থিংনবা অমদি মুখৎনবা হোৎনবদা অহানবা মিৎয়েং থমদুনা থবক তৌগনি। মতাং অমসুং মতমগী মতুংইন্না অতৈ সেক্টরশিংদসু মিৎয়েং চংগনি। চংশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা শরুক য়াবিনবা অমদি মতেং পাংবিনবা মিয়ামদা হায়জরদুনা সেল অসিগী চিয়ারমেন অমদি কনভেনরনা পাউ ফাওনবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি।

## ঙসিগী রাষি ফল (৮–৪–২০১৫)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** অফবা মতম্নি। অদুবু অশোক অপন খৎননিংবদি থেংনরগনি। শেল ফংবা হেন্না চৎপা ওই। শান্তি ৱাৎলি। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ খৎনৈ, ৩ অফবনি।

**বৃষঃ** অফবা খুদোংচাবা মায়োক্নরগনি। ঐগী মী মশিং য়াম্লগনি। লম চৎপা মী তিন্নবদি চেকশিনবা ফগনি। কোক শাবা মতম্নি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ খৎনৈ, ৫ খরা ফগনি।

**মিথুনঃ** মত তিন্নদবা লৈরগনি। ইশানা হৈ শিংবা তাবনি। শেল ফংবা অমদি চৎপা তৌবনি। মীনা য়েংশিল্লি। মত খেন্নে। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ খৎনৈ, ৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা খরা পাংথোকপা, লমতু চৎপা অফবা পোৎ মাল লৈবা য়াবা মতম্নি। শান্তি লৈগনি। নক্ষত্র ৭, ৮, ৯ অফবনি।

**সিংহঃ** শাওগৎনবা, শোক্কনবা মতম্নি। শেল হেন্না চৎলগনি। তৌদবা য়াদবা মায়োক্নরগনি। হকচাং ৱাখল ফত্তে। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ খৎনৈ, ১২ ফগনি।

**কন্যাঃ** অয়েৎপা থেংনদুনসু অফবা চাউখৎপা, পাংথোক্লিংবা পাংথোকপা, মী লোয়নবা অফবা ওইবা মতম্নি। খরা লাংগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ খরা ফগনি।

**তুলাঃ** অপনবা খরা থেংনরবসু অফবা মতম্না হেল্লগনি। চখোক চৎশিন্দা অফবনি। মীনা নুংশিবিরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ মত চান্নদে, ১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, হোৎনজমন কান্নবা, পাউ নুংঙাইবা তাবা মতম্নি। লম চৎপা অফবনি। পোৎ মাল লৈশিল্লগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭, ১৮ হেন্না ফগনি।

**ধনুঃ** শোক্কনবা, মুক্নবা, শেল চৎপা মতম্নি। মীনা য়েংশিল্লি, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। পোৎ মাল লৈশিল্লগনি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ শোক্কল্লি, ২১ অফবা ওই।

**মকরঃ** মত চান্নদবা থেংনরগনি। অমনা হায়বা অমনা তাদবা মতম্নি। হকচাং ৱাখল ফত্তে। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ তোখাই তাই।

**কুম্ভঃ** চান্নবা কায়নবা ওই। অমগা অমগা মত খরা খেন্নে। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। শান্তি খরা ৱাৎলগনি। নক্ষত্র ২৩, ২৪, ২৫ অফবা ওই।

**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, মরুপ মফম চাউখৎলগনি। অপাম্বা পোৎ লৈশিল্লগনি। পোৎ মাল লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫ অফবা ওই।









